## ওপরেসন চথখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) :
শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইখোম লৈকাই এরিয়াদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কমান্দো অমদি নুপী পুলিস য়াওবা টীম অমনা থিবা-হুন্বা চথখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ দগীনা পুং ৭ ফাওবা শীংজমৈ ৱাইখোম লৈকাই এরিয়াদা কোইশিন্দুনা থিবা-হুন্বা চথবদা মীওই ১৮০ রোম ময়ুম ময়ুমদগী কৌথোক্লগা ৱাহং-পাউহং চথখি। থৌদোক্তুদা মীফা-মীপুনদি য়াওখিদে। পুলিসনা চথরিবা ওপরেসন অদু মখা তানা চিংনবা মফমশিংদা লেপ্তুনা চথখিগনি হায়রি।

## এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) :
ঐচ ক্যু আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৬ সেক্তর অসাম রাইফলসকী ১১ অসাম রাইফলসনা ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মীসন ভেং ভিলেজদা লৈবা বেথেল হায়স্কুলদা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক্তা দ্রগ এৱ্যেয়রনেসকী মতাংদা লেকচর পীবগী প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

ইন্সপেক্তর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ) না ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না, নুপামচা ৪৫ অমসুং নুপীমচা ৩৫ রোম য়াওনা পুন্না ক্লাস ঐইটতগী টেন ফাওবগী মহৈরোয় ৮০ না লেকচরগী প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি। লেকচর অদু মীসন ভেংগী কম্পেনি ওপরেটিং বেজ কম্মান্দরনা পীখিবনি। সোসাইটিগী মরক্তা দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী মায়োক্তা এৱ্যেয়রনেস পীবগী তঙাইফদবা ফিভমদা অখন্ননা মীৎয়েং থমখি। খুল অসি বোর্দরগী স্কুল অমা ওইবগা লোয়ননা দ্রগশিং পুশিন্দুনা মীয়ামদা চাওনা অকায়বা পীরে হায়রি।

# দে দেসামনা শীন্দুনা জুন ৫ দা ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):
দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না শীন্দুনা লাক্লিবা জুন ৫ দা ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না মহৈরোয় লুপ অসিগী সেক্রেটরি হেল্‌ঠ এন্দ এনভাইরোনমেন্ট রোমিও খা ঙানবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না হৌখিবা চহীশিংদগী হৌনা হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী অকোয়বগী এনভাইরোনমেন্টতা কায়থরক্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়াম হুপ্পা, মহৈরোয়শিং য়াওনা কেম্পেয়ন কয়া চথরক্তুনা লাক্লি।

হন্দক চহীগী ওইনা জুন ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম দেসামনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি। চহী অসিগী থীমদি বিদ প্লাষ্টিক পোল্যুসন হায়বসিদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। থৌরম অসি মালেমগী ওইনা প্লাষ্টিক্না ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভমদা কায়থকহল্লকপা কয়া অসি লুম্না লৌবগা লোয়ননা পায়খৎলকপা খোঙথাংনি হায়না খল্লি। মসিগী মনুং চন্না দেসামনসু হৌজিক হৌজিক ঐখোয়না নুমীৎ খুদিংগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমা ওইনা শীজিন্নরিবা কনভেন্সনেল প্লাষ্টিক হায়রগা খঙনবা প্লাষ্টিক মখল অসিনা মীওইবদা, শা-ঙাদা, লৈবাক-লৈহাওদা, অকোয়বগী ফীভমদা কয়া য়াম্না শোকহল্লি হায়বসিগী মতাংদা মীয়ামগা পুন্না খন্নদুনা লাক্লি। মমাঙথক্তা দেসামনা কনভেন্সনেল প্লাষ্টিকশিং অসি মপুং ফানা থিংবীনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না চীফ মিনিষ্টর, ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখিবা লৈখ্রে হায়রি।

মালেমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা প্লাষ্টিক্লা পীরকপা চৈথেং অসি খঙবগা লোয়ননা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংনবগী মপুং ফাবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৫ গী মথক্তা প্লাষ্টিক বেগশিং শীজিন্নবা থিংনবগী অকক্লবা খোঙথাংশিং মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা পায়খৎখ্রে। অদুবু মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওইনদি চপ চাবা প্লাষ্টিক শীজিন্নবা থিংনবগী ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। মণিপুরদা হৌজিক প্লাষ্টিক আইটেমশিং দিগ্রেদ তৌরকপা মতমদা অমদি মৈ থাবদা মীওইবগী হকচাংদা শোকহল্লকপা, শীজিন্নবা লোইরবা প্লাষ্টিকশিং লৈবাক-লৈহাওদা চঙখ্রগা চহী কয়া অমা লৈরবসু তুমদবনা লৈবাক-লৈহাও মাঙহল্লকপা, মণিপুরগী মরুওইবা তুরেলশিংদা লেপ্পা লৈতনা থাদরকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংনা তুরেল খোংনুং থেনগৎলকপা অমদি ৱাটর পোল্যুসন থোকহল্লকপা কয়া অসিনা মীওইবগী হকচাংদা খম থেংনা অকায়বা পীরি হায়রি।

অসিগুম্বা কনভেন্সনেল প্লাষ্টিক শীজিন্নবনা ঐখোয়গী এনভাইরোন-মেন্টতা কায়থহল্লক্লিবা ময়াম অসিগী খল্লগা খুদক্তা প্লাষ্টিক থিংননবগী খোঙথাং লৈঙাক্লা ফীরেপ লাউথোক্কদবনি। লোয়ননা লৈবাক লৈহাওদা এনভাইরোনমেন্টতা তুমখিবা অমদি মীওইবগী হকচাংদা শোকহনবদা বাইওদিগ্রেবল প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী থবক পায়খৎকদবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## খোঙ লম্বীদা পোৎ য়োনশিনবা মীওই ৮ ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) :
খ্বাইরমবন্দ কৈথেলগী খোঙ লম্বী এরিয়াদা পোৎ-চৈ য়োনশিনবা অসি অথিংবা লৈন-লৈনা ঙসি পোৎ চৈ য়োন্দুনা লৈরম্বা মীওই নিপাল সিতি পুলিস ষ্টেসনগী ওসিগী মীৎয়েং মখাদা সিতি পুলিসকী টীম অমনা মীওই ৮ পোৎ-চৈগা কোন্ননা ফারে। ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা পুলিসনা ফারবা মীওই নিপাল অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীফ জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট (সি জি এম) কোর্টতা পুথোক্লগা মীওই অমমমদা লুপা ৫০০/৫০০ ফাইন থিহনখি।

পনবা য়াবদি খ্বাইরমবন্দ কৈথেলগী খোঙ লম্বী এরিয়াদা পোৎ-চৈ য়োনবসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিনা অয়ুক্কী পুং ৭.৩০ ফাওবা অয়াবা পীবনি। মদুগী মতুংদদি মীয়াম তিনখৎলকপা মতম ওইবনা খোঙ লম্বীদা ফম্বশিং অসি ফম্বা য়ারোই অথিংবা থম্বনি হায়রি।

## দামনা শোকহল্লবশিংগী অৱাবা কোক্লবা থবকশিং পায়খৎনবা তকশিল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস): মপিথেল দামনা শোকহল্লবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্টিক্ট, মণিপুরগী দাউনষ্ট্রিম এরিয়াশিংদা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মীওই কাঙলুপশিংনা মণিপুর গভর্নমেন্টদা মপিথেল দামনা থৌবাল তুরেল থিংজিনখিবদগী থোক্লক্লিবা খুদোংচাদবা, অৱা-অনাশিং খন্নবীনবা হায়জরি হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ফোর মপিথেল দাম দাউনষ্ট্রিম এফেক্তেদ পীপল, ইম্ফাল ইষ্ট মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, কুমজা ২০১৫ গী জন্যৱারিদগী হৌনা মপিথেল দামনা থৌবাল তুরেল থিংখিবদগী তুমুখোং খুঞ্জাওদা লৈবা দামগী দাউনষ্ট্রিম এরিয়াদা লৈবা মীওইশিং অদুক্কী মতিক অৱাবা মায়োক্লরকখি।

তুমুখোং, ইথম, মোইরাংপুরেল, লাইখোং, নোংপোক কৈথেলমানবীগুম্বা দাউনষ্ট্রিম এরিয়াশিংদা লৈবা মীওইশিংগী মরুওইবা হিংনবগী লম্বী থৌবাল তুরেলদা নুঙ, লৈঙোই পেকপনা ওইনরি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মপিথেল দামনা থৌবাল তুরেল থিংখিবদগী এরিয়াশিং অসিদা তারিবা মীওইশিং হিংনবগী পাম্বৈশিং লৈতবদগী চাউনা অৱাবা মায়োক্লরে। দাউনষ্ট্রিম এরিয়াশিংদা লৈবা মীওইশিংনা অসুম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লরক্লিবসি য়েংদুনা গভর্নমেন্টনা মপিথেল দামনা শোকহল্লবশিংগী ইমপেক্ট এসেসমেন্ট অমা লৌনবা অমসুং খুঞ্জাশিংবু খুন্দা লৈতাহনবগা লোয়ননা মখোয়গী হিংনবগী অতৈ পাম্বৈশিং পীবীনবা চেরোল অদুনা মরী লৈনবশিংদা তকশিল্লক্লি।

## এম এস এফনা ৱারৌবীদনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না থা অসিগী ১৮ দা ককচিং উমাথেল মথক লৈকায়দগী নন-মণিপুরী দিলিপ দাস কৌবা মীওই অমনা মৈতৈ য়ুম্নাক্তা মমিং ওন্থোক্লম্বদু থিংনবা দিলিপ মৈতৈ, অপোকপা থিংনাম য়াইমানা ওন্থোক্লম্বগী থৌদোক্তা মরী লৈননা শুগুনু এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা মতম অমগী ককচিং খুনৌ নগর পঞ্চায়ট ওইনা লৈরম্বা হৌজিক্লা ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী ৱার্দ নম্বর ৯ গী ইলেক্তেদ মেম্বরনি হায়না ফোঙদোরকপদগী ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগীনি হায়বা মিদিয়ানা ফোঙদোকখিবদুনা মরম ওইরগা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি কাউন্সীল অসিনা কোনবা মফমদা লৈরিবা মীয়াম্না লান্না লৌবীদনবা অমদি নুংনাংবীদনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা কোরিজেন্দম অসি থোকখ্রবা মতুং তারকপদা মসিগা মরী লৈননা নহা ওইরিবা মীওইশিং, স্কুল অমদি মতুং তারকপদা পুন্না চৎলিবা নেসনল মিদিয়াশিংদা লূপপু লান্না উহন্নবা হোৎনরকপা অমদি লূপকী মীংচৎ থিহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি থওইনা উশিৎতদুনা তৌখিবা নৎত্রগা থাগৎলকপা নত্তে হায়বা খঙবা ঙম্লে।

## ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী একাদেমিক কেম্পেয়ন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা) অনীনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মহৈলোয়শঙশিংদা চথরকপা লেটস ষ্টেন্দ এগেনষ্ট সবষ্টেন্স এব্যুজ হায়বা কেম্পেয়নগী মনুং চন্না হৈরাঙ্গোইথোংদা লৈবা স্কোলর একাদেমীদা ঙরাং মীফম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ হিজম প্রিয়োকুমার, স্কোলর একাদেমীগী সেনিয়র টিচর টিঐচ মঙ্গি, এমসুগী লাইব্রেরি এন্দ দোক্যুমেন্টসন সেক্রেটরি ব্রোজেন লোংজম্ন চিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা নিংথৌজম দোরেন, ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা অমসুং ময়েংবম বুদ্ধি সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন কাদানা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবা নিংথৌজম দোরেন্না হায়খি, নেসন অমগী য়াঙলেন শরু ওইরিবা নহাশিং অমদি মহৈরোয়শিংবু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তগী কলহৌবা হায়বা অসি মীপুম খুদিংগী তৌফম থোকপা থৌদাং অমনি।

মসি লন্নাই মীওই খরগী নৎত্রগা লুপ অমগী মীংচৎ ফঙনবা ৱাফম অমা নত্তে। ঐখোয়গী তুংগী মীরোল অমদি ফুরুপ অসিবু মুৎখিগদবদগী কঞ্জনবা ঐখোয় খুদিংমক্না ময়াই কাবা চীঙ্গাক খুদিংমক মরু ফঙনা মাঙহনবগী তঙায়ফদবা অদু ঐখোয় পুন্না হোৎনমিন্নগদবনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মহৌশানা থোকহনবা অমাঙ অতাশিং হন্থহন্নবা ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ১৯ (এজেন্সী):
ঈশিং-ঈচাও, নোংলৈ-নুংশিৎ, য়ুহা হাবা অসিনচিংবা মহৌশাগী খূদোংথীবা থৌদোকশিংদা অমাঙ-অতা থোকপগী চাং হন্থনবা হেন্না নীংথিনা শেম শাদুনা লৈনবা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি রজিভ গৌভাননা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে।

রিলিফ কম্মিস্নরশিং, সেক্রেটরিশিংগী চহীগী কনফরেন্স হৌদোকপগী ৱারোল পীরদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, হেন্না ফবা নোং-চীংগী ফোর্কাষ্ট, মোক দ্রিলশিং অমদি ফীভম ফগৎহন্নবা রিছোর্স মেনেজমেন্টগী খূথাংদা ঐখোয়না ঐখোয়গী কেপাসিটি শেমগৎকদবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০০৫-১৪ গী মতম অসিদা চাংচৎ অমদা তোঙান-তোঙানবা মহৌশাগী ওইবা খূদোংথীবা থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা শেল ওইনা পাবদা চহী খুদিংগী চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৬০,০০০ মাঙখি। ঈশিং-ঈচাওশিংনা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা অমাঙ-অতা থোকহনখি।

নোংমগী ওইবা কনফরেন্স অদুদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী রিলিফ কম্মিস্নরশিং লোয়ননা আই এম দি, জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া, দিফেন্স মিনিষ্ট্রি অমসুং সেন্ট্রেল ৱাটর কম্মিসনগী ওফিসলশিং অমদি শরু াইরবা কয়ানা শরুক য়াখি।

EDUCITY TUTORIALS
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER, IMPHAL NEAR TRAFFIC POINT
& SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, NEAR ORIENTAL COLLEGE
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR SESSION 2018
CLASS - I TO X
CLASS - XI & XII (SCIENCE)
Both CBSE & BOSEM
Register Now! Register Now!
- STUDY MATERIALS
- SUGGESTIONS
- SPECIAL TEST
- COUNCELLING
- VAN FACILITIES
- WELL EXPERIENCE TEACHER
- HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS (Rs. 3000/- Months)

FEE STRUCTURE:
CLASS I TO V (Rs. 800/- Months)
CLASS VI TO VIII (Rs. 1000/- Months)
CLASS IX & X (Rs. 2000/- Months)
CLASS XI & XII (SC.) (Course Fee: 4 Months Rs. 14,500/-)
CLASSES STARTING FROM 12th & 20th JUNE. 2018 (LIMITED SEATS)
Please Call: +91-9612194500
TIMING: 5:00 TO 7:00 AM
4:30 TO 7:30 PM
HL-P/4627/16/5-14/6

ALL MANIPUR ELECTRICITY DEPARTMENT
CONTRACTORS & SUPPLIERS ASSOCIATION, ECSA
/NOTICE

ইকাই খুম্নজরিবা লমদম অসিগী মপী-মপা ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরগী মফমদা করিগুম্বা খরদং খঙহঞ্জরি মদুদি, All Manipur Electricity Department Contractors & Suppliers Association (ECSA), গী পীফম থোক্লবা Bill শিং MSPDCL ওন্দ্রিঙৈদা Electricity Department, Govt. of Manipur গী Chief Engineer না Bill শিং অসিগা মরী লৈনবা Screening Committee শেমদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন খন্দোক-খঞ্জিন তৌরবা মতুংদা ইংশোক ২০১০, ২০১১ অমসুং ২০১৬ তা পৈশা পীথোকপা হৌরল্লবনি। অদুগী মতুংদা ইকুই কুইদনা ইংশোক ২০১৮ দসু অৱাৎপা খরা পীবিখ্রে। অদুবু লাইবক থিবদি লেমহৌরিবা অৱাৎপা শেনফম/Bill অদু পীথোকপীনবা মরী লৈনবা মীনিষ্টরদা হায়জরুবদা ৱাওই-থওইনা তৌবিরক্ত্রে। লেমহৌরিবা Bill শিংগী শেনফম অসি অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংগা য়েংনরুরবদি য়াম্না পীকপা শেনফমনি। মতাং অসিৱাইদা থীকা অমদি সপ্লায় মচা মচা তৌদুনা ইমুং-মনুং পুরিবা মীওইশিংবু নুংশিবীদুনা মণিপুর সমাজগী য়াইফনবতা খনবীরিবা চীফ মিনিষ্টরগী অশানবা মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি অমসুং শোয়দনা পীথোকপীগনি হায়বগী আশা থমজরি।

Sd/- W. Gyaneshwor Singh
Secretary, All Manipur Electricity Department
Contractors & Suppliers Association (ECSA)
HL-P/1355/20

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: RURAL DEVELOPMENT AND PANCHAYATI RAJ DEPARTMENT
(STATE LEVEL MONITORING CELL)

NOTICE

Imphal, the 17th May, 2018

**No. 3/64/2016-17-RD(MGNREGA):** This is a notice for all the Candidates who had applied in response to **OPEN ADVERTISEMENT** for appointment of Ombudsman (as carried in *Poknapham*, dated 02, 03 and 07 Dec. 2017; *Hueiyen Lanpao*, dated 02, 03 and 04 Dec. 2017 and *Sangai Express* (English and Manipuri), dated 02, 03 and 04 Dec. 2018).

2. It is hereby informed that the interview for the Selection of Ombudsman under MGNREGA in respect of 3 (three) districts of Manipur namely Bishnupur, Imphal West and Ukhrul District will be held on 25/05/2018 at 3.00 PM in Room No. 319, 3rd Floor, New Secretariat (North Block), Babupara, Imphal.


3. All Candidates who had applied for the post of Ombudsman are hereby informed to appear before the Selection Committee along with relevant documents, experience Certificates on the date and time specified above.

Sd/- **Bidyarani Ayekpam**
Deputy Secretary (RD & PR)
Government of Manipur
HL-B/4634/19&20

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, ASTANA MEDICAL UNIVERSITY, NORTH KAZAKH STATE UNIVERSITY
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM,
CHINA: HENAN UNIVERSITY TCM, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING, QIQICHAR MEDICAL UNIVERSITY AND YUNAN UNIVERSITY OF TCM.
RUSSIA: ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.
PLZ Contact: - Haji Salam, JR International Education Consultant
Near Cambridge School, Old Campus Imphal, East, Manipur.
Contact No.: 8794084294, 9615706900, 8415930785, 8974084294.
HL-P/1223/6/5-5/6

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road, opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729
The Largest, Trusted & Premier Coaching Institute, Imphal in both Sc. & Arts
TOPERS OF COHSEM Sc. 2017
TOPERS OF COHSEM ARTS 2017

2nd Position (Sc. 2017) R.K. Babysana
3rd Position (Sc.2017) VICTORIA
2nd Position (Arts) Guneshori
3rd Position (Arts) Dholenchandra
8th Position (Arts) Pebam Bruch
COHSEM CBSE
Foundation course for class VI to X from 17th May'18
4th Foundation Course for class xi, xii Sc(Evening) 17th May'18.
Foundation course for class xi, xii Sc.(Morning) from 17th May'18
3rd Foundation COURSE FOR xi and XII ARTS FROM 17th May'18
1st Special separated batch for ix - xii in English medium only.
ADMISSION OPEN for special vaccation crash course for class vi to xii in Sc. and Arts for JNV, Sainik and outsider institutions
Separated boys and girls hostels, van service, morning & evening batches
Only 35 Students per class (Limitted seats) for details # 9862992105
Separated BOSEM, COHSEM & CBSE
Time : 4.30-7.45am/ 11am-4pm/4.30-7.45pm
HL-B/4560/6/4-6/5

/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখণ্ড পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঔ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।
Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/4629/17/5-16/06

A.I. SOCIAL SCIENCES TUTORIAL CENTRE
*Keishamthong Elangbam Leikai*
ADMISSION OPENS FOR
Class X (BOSEM)
20th FOUNDATION COURSE
*Class Commencing from 11th June 2018*
- Time : 5:00 am to 6:00 am
- 4:30 pm to 5:30 pm
- Only 15 students per batch
- Subjects : Geo, History, Civics, Economics

Previous records: *T. Meghila, 23rd Position*; *80% and above - 16 students*
Pass Percentage: *100% consecutives 10 years*
CHAPTERWISE TEST ON EVERY SUNDAY
Please Contact : ☎ 9856475399
Sir Ajitkumar, Board Examiner
Sir Ipajao, Former Regular English School
HL-P/1231/7/5-5/6

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
2nd Foundation Course for III to X starts on 24th May 2018
TOPPERS of 2017
TOPPERS of 2016

1st Position Priyanka M. D/o. M. Humeshwar & R.K. Raina
3rd (A) Position Rozaria Th. D/o. Th. Joychandra & R.K. Mirabai
4th Position Khushi Kh. D/o. Kh. Rakesh & Rita Devi
6th Position Micheal A. S/o. A Hementa & Ranjana Devi
8th Position Bideli Devi D/o. A. Deben & M. Bimola Devi
9th Position Md. Swadique S/o. Md. Mujibur Rh & Mrs. Sakila
9th Position Robinson Kh. S/o. Iboyaima Kh. & Y. Renubala Devi
9th Position Russel Ch. S/o. Johnson Ch.
13th Position Th. Yaiphabi D/o. Bhegat Th.
14th Position Siddhant W. S/o. W. Nabakumar
15th Position Neelima N. D/o. N. Surjit Singh
17th Position Krishnand L. S/o. L. Robindro
20th Position K. Hennae D/o. K. Debadutta
21st Position M. Thoibisana D/o. M. Bimol
21st Position Tina Th. D/o. Shaphaba
21st Position R.K. Kebisana D/o. R.K. Deepak
22nd Position Guigaingam K. S/o. Titus Kamei
23rd Position Ng. Babyka D/o. Ng. Bikramjit
23rd Position Meghila T. D/o. T. Meghachandra
1st Position Sohana Laishram
2nd Position Naorem Suzanna
3rd Position M. Vasundhara
8th Position Wosoron C
9th Position Sindia A
10th Position Yaisana A
10th Position Chetanna RK
11th Position Selina K
12th Position Malemnganbi Kh
12th Position Joyson Haokip
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Pliz Contact : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE
HL-B/4592/30/4-1/5